**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ক্রিমিনেল লো অহুম- ভারতিয়া নিয়াই সনহিতা, ভারতিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা অমসুং ভারতিয়ানা শকশ্যা আধিনিয়ম ঙসিদগী চৎনবা হৌরগনি।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংনা শাজবা পোৎলমশিং সরকারনা লৈশিনবগী থবক চখরি।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা কটারগী প্রধান মন্ত্রি অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

------

এক্ট ঃ ক্রিমিনেল লো অহুম- ভারতিয়া নিয়াই সনহিতা ২০২৩, ভারতিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা ২০২৩ অমসুং ভারতিয়ানা শকশ্যা আধিনিয়ম ২০২৩ ঙসিদগী চৎনবা হৌরগনি।

হায়রিবা বিল অহুম অসি মমাং চহিগী সংসদকী নিংথম মীফমদা পাস তৌখিবনি। অনৌবা আইনশিং অসিনা ভারতকী নাগরিকশিংদা অহেনবা শক্তি পীননবা অচৌবা খোঙথাং অমা ওইরগনি। মসিনা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি। ক্রিমিনেল লোশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মরুওইবা খুদোংচাবশিং অদুদি- ওনলাইনগী খুত্থাংদা থৌদোক অমগী মতাংদা

রিপোর্ট তৌবা য়াহনবা, পুলিস ষ্টেসন অমা হেক্তুদা এফ.আই.আর ফাইল তৌবা য়াহনবা, নুপী অমসুং অঙাংদা চথবা ক্রাইমশিং থা অনিগী মনুংদা লোইশিনবনচিংবা য়াওরি।

আইন অহুম অসি চৎনবা হৌবগী থৌরম মণিপুরদসু ঙসি পাঙথোক্কনি। মপুংওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী পেলেস ওদিতোরিয়ামদা পাঙথোক্কনি।

ইবোমচা (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংনা শাজবা পোৎলমশিং সরকারনা লৈশিনবগী থবক চত্থরি।

হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা অকাশবানি ইম্ফালগা ৱারী শান্নবদা লম্লাই কেন্দ্রগী এম.এল.এসু ওইরিবা- মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চেয়ারমেন, খোঙবানতাবম ইবোমচানা হায়- রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা শাজবা পোৎলমশিং য়োনফম লৈতবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অদুগী য়েংলগা কোর্পোরেসন্না পোৎলমশিং অদু পুন্না পুন্না লৈশিল্লগা অমুক য়োন্থোকবা থৌরাং পায়খৎপনি। খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাংসু কুম্বি-মোইরাং লম্বী পুখ্রম লৈরক অমসুং থানা লৈরক মান্দপতা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা শাবা পোৎলমশিং কোর্পোরেসন অসিগী মীহুৎশিং থাদুনা লৈশিনবা হৌরে।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইরাং থোকনবা অমসুং চিংনবা মফমশিংদা মখা তানা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক চত্থরি। থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা চুরাচান্দপুর জিলাদগী পম্পি অহুম ফাগৎলে। অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ৩৫৭ সেক্যুরিতিগা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লকখি হায়রি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী বোরো বেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং চনবা জোকারাধোর পার্ট-টু ভিলেজদা ঙরাং অহিং পুং ৯ মিনিত ৪৫ রোম তাবা মতমদা মশক খঙদবশিংনা য়ুম অমা মৈ থাদোক্লল্লে।

পুলিসকী পাড পল্লদুনা ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়- মৈ চাকখিবা য়ুম হৈস্নাম প্রেমচান্দ কৌবা মীওই অমগীনি। য়ুম অদু বোরো বেক্রা পুলিস ষ্টেসনদগী মিতর ৭০০ লোমতমক খা রোমদা চৎলগা লৈবনি হায়রি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ  বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা তৌপোকপীদা ঙরাং অহিং লমদম অদুগী মশিং য়াল্লবা নুপীশিংনা খুৎতা মৈরা পায়দুনা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবীশিংনা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি সরকারনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকউ, লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহল্লু, খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই অমসুং ঐখোয়গী ইরমদম ঐখোয়না ঙাকচগনি হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

ৱাইতোন (এল)ঃ        ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুংদা লৈবা ৱাইতোনদা পুন্না হিংমিন্নবা মরুপ ৱাইতোননা নোংমাইজিং খুদিংগী উ চারা থাবগী থৌরম অমা ঙরাংদগী হৌখ্রে। ঙরাং অহোবা নুমিৎতা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

মহৌশাগী ফিভম কায়হন্দনা থমবগী খোঙথাং অমা ওইনা ঙরাং লংথবাল মন্ত্রিখোং অৱাং লৈকাই ব্রিমেন ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন অমদি য়ং ফ্যুচর ওর্গনাইজেসন অনিনা খুৎশমদুনা নম্বুল তুরেল তোর্বানদা উ চারাশিং থাখ্রে। থৌরম অসি ফোরেষ্ট বিভাগকী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবনি।

ওকপা (এল)ঃ  ক্লাইমেত এক্তিভিষ্ট লিসিপ্রিয়া কাংঙুজমবু ঙরাং শিংজমৈ ময়েংবম লৈকাইদা তরামা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। চৈরাপ লোইশঙ অমদি বিজয়া গারোদ লোইশঙগী ফমাইবশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অঙোম নিংথৌ রোসোরাজ মনিনা লিসিপ্রিয়া কাংঙুজমদা শকখঙচে অমসু পীখি।

স্কাউট (এল)ঃ   তমেংলোংগী দোন বোস্কো হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা নহাল মণিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদসতা নৌনা য়াওরক্লবা মীওইশিং তরামা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখে।

তাইকুন্দো (এল)ঃ   তামিলনাদুগী সালেমদা পাঙথোকখিবা অহুমসুবা নেসনেল ওপন তাইকুন্দো চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা সনাগী তকমান লৌরকখ্রবী মোইরাংথেম থোইবীসনাবু ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাই য়ুথ ক্লবনা ঙরাং তরামা ওকখ্রে। ক্লব অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শান্নরোই অসিগী কোচ নাওরেম রঞ্জিৎপুসু ইকায় খুমবা উৎখি।

য়াৱা (এল)ঃ   অসামগী হোজাইদা পাঙথোকখিবা বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেলেন্ট ছার্স ৱিংনা শিনবা বাস্কেটবোলগী টেলেন্ট স্কাউন্টিং প্রোগ্রামদা মণিপুরদগী শান্নরোই অহুম খল্লকখ্রে। মসিদা শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাইগী শান্নরোই অনি য়াওরকপদা য়ুথ এমেচর ৱেলফ্যার এসোসিয়েসননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

জয়শঙ্কর ঃ  কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ঙরাং কটারগী প্রধান মন্ত্রি অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। লুচিংবশিং অদুনা উন্নবা অদুদা রাজনীতি, লল্লোন ঈতিক, শেল থাদবা, ইনর্জি, টেকোলোজি, কলা সংস্কৃতি অমসুং লৈবাক অনিগী মীয়াম মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা খন্নখি। মখোয়না লমদম লমদমগী ওইবা অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি। ডাঃ জয়শঙ্করনা ভারত অমসুং কটারগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং লৈবাক অনিমক্তা পুন্না কান্নমিন্নবা য়াবা খোঙথাং কয়া মখা তানা লৌখৎমিন্ননবা ৱাফমশিংসু ফোংদোকখি।

মেট ঃ        ইন্দিয়া মিরিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা লাক্লিবা নুমিৎ মরি মঙানিদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক, নোংপোক, অমসুং অৱাং

নোংপোক লমদমদা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়না ওরেঞ্জ অমসুং রেড এলার্টশিং লাউথোকখ্রে।

হিমচাল প্রদেশ, উত্তরাখন্দ, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, ইষ্ট রাজস্থান অমসুং উত্তর প্রদেশতা থা অসিগী ৩ ফাওবা নোং কন্না চুগনি হায়রি। বিহার, সব-হিমালায়ান লমদমশিং, ৱেষ্ট বেঙ্গল, সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদনা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি মরিনি অসিদা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

নোংচুপ থংবা ভারতকী রাজ্যশিং- গুজরাত, সেন্ত্রেল মহারাষ্ট্র অমসুং গোৱানচিংবদা থা অসিগী মরি ফাওবা নোং কন্না চুরবা য়াই। খা থংবা ভারতকী শরুকশিং- তামিলনাদু, পুদুচেরি, কেরলা অমসুং করনাতক্কী খা থংবা শরুকশিং, লক্ষদ্বিপ, অন্ধ্র প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবান, তেলঙ্গনা অমসুং করনাতক্কী সমুদ্র খোঙবানদা থা অসিগী অহুম ফাওবা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

সিবিআই ঃ সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি.বি.আই)না ঙরাং বিহারগী পাটনাদা লৈবা বিয়ুর সেন্ত্রেল জেলদা নিট য়ু.জি একজামিনেসনগী ক্বেসন পেপর লিক কেসকা মরী লৈননা ফাদুনা লৈরিবা মীওইশিং মচিন হংখ্রে। হৌজিক ফাওবদা সি.বি.আইনা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা বিহার অমসুং ঝারখন্দদগী মীওই ৫ ফাগৎলে। অতৈ অতোপ্পা ফাগৎলবা মীওই ১৩ অমসু মচিন হংবগী থবক চপ্থরি। মখোয় হান্ননা বিহারগী ইকোনোমিক ওফেন্স য়ুনিতনা ফাগৎখিবা মীওইশিংনি।

আর্মি চীফ ঃ জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা ভারতকী চিফ ওফ আর্মি ষ্টাফ ওইনা ঙরাংদগী থবক পুবা হৌরে। মহাক ইং ১৯৮৪ গী দিসেম্বর ১৫ দা জম্মু কশ্মীর রাইফলসতা কম্মীসন ওফিসর ওইনা থবক চংখিবনি। উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা হৌখিবা চহি ৪০ রোম অসিদা লান্মীগী তোঙান তোঙানবা ফম কয়া পায়দুনা থবক তৌরকখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

পোকফমদা- শঙ্গাদ্রিবা থোং তেক্লকপদগী ড্রাইভর অমা শিরে, অহুমনা খুঞ্জাশিংনা কনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস অমসুং সনালৈবাক্তসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনদা- এম.এল.এশিংগী টিম মরি দিল্লিদা লৈরি, নাগাশিংগী টিম, কুকিশিংগী টিমসু সেন্ত্রেল লিদরশিংগা উন্ননবা হোৎনরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- মীয়ামা তাল্লিবা মরুওইবা ইসুশিং সেন্তরনা থবক্তা ওন্থোরক্লবদি, ফমদুদি অরাইবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমনা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম ঙসিদগী ইন্দিয়াদা চৎনরগনি, মণিপুরদসু সি.এমনা ক্রিমিনেল লো অহুম লোঞ্চ তৌরগনি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা কন্না হোৎনরি, অথুবা হোৎনজমনগী মহয় ফংলগনি হায়না মণিপুরগী গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি

নহারোলগী থৌদাংদা- পি.এমনা থৌওইদবনা মণিপুরদা হিংশাগী থৌদোকশিং হেনগৎলকপনি হায়না ইন্দিয়া ব্লোক মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- সেনাপতিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অমদি দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবনা সেনাপতিবু ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী মতুংইন্না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মণিপুরদা লাকপীনবা হায়জবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

তমেংলোং টাইমসতা- মণিপুর কংগ্রেসনা ইন্দিয়াগী রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংবদা য়াওখিদবগী পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চমদা- মণিপুরগী ৱাথোক্কী মতাংদা এম.এল.এশিং দিল্লিদা চত্তুনা ৱা খন্নরগনি হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------